**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 28-07-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৮-০৭-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়বা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৫ অমসুং য়ুঙাং ললোনবা মীওই ২ ফারে।

২) 'লেট অস ব্রেক ইট দাউন' হায়বা হীরমদা মালেমগী হেপাতাইতিস নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি।

**অমসুং**

৩) লোক সভানা ঙসি ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা অখন্নবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি। রাজ্য সভাদনা হয়েং পাঙথোক্কনি।

**------**

**এরেষ্ট (এল)ঃ** মণিপুরদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়বা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৫ অমসুং য়ুঙাং ললোনবা মীওই ২ ফারে। মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা কে.সি.পি মণিপুর ফিঙাং লান্মীগী মীওই ১ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ঈশিং থেনবী মপান্দগী ঙরাং ফাখি। মীওই

অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়রি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্থবগী থবক চথবদা কে.ৱাই.কে.এল(সোরেপা)গী মীওই ১ থৌবাল জিলাগী তেন্থা খুনৌ বজার এরিয়াদগী ফারে। মীওই অসি থৌবাল জিলাগী মফম কয়াদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা মী ফাবনচিংবা থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীওইনি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা কে.সি.পি অপুনবা সিটি মীতৈগী কাদরশিংনি হায়বা মীওই অহুমসু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ঙরাং ফারে। আইননা থিংখ্রবা লুপ অসিগী মীওই ২ হুইদ্রোম খুল এরিয়াদা চেক্কোনদগী শেল খাইনবা লাকপা লম্বীদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা ফাখি। মখোয় অনিনা হায়দোরকপদগী লুপ অসিগী মীওই অমসু কাইরং মনিং লৈকাইদগী ফাখি।

পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তানা হায়- থা অসিগী ২২ দা চুরাচান্দপুর জিলাগী সুংদো খুলদগী মীওই ১ দ্রগকা কোন্ননা ফাখ্রবা মতুং মখা তানা মীওই অসিগী য়ুমদা থিবা হুন্থবগী থবক চথবদা লূপা লাক্ষ ৩৯ লিশিং ৩৩ হেনবগী শেনফম ফাগৎলে। মখা তানা থিগৎপগী থবক চথরি।

মরক অসিদা, মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্টকী মন্ত্রিপুখ্রি এরিয়াদগী মীওই ২ লূপা লাক্ষ ৫৫ রোমগী মমল ওইগদবা য়ুঙাং বোট্টল লিশিং ১৬ লোমগা কোন্ননা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ফাখি।

মণিপুর পুলিসনা ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগাইবশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা দ্রাইভ চথরি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা গারিগী রেজিস্ত্রেসন সার্তিফিকেট নম্বর প্লেট-নচিংবা য়াওদনা থৌরকপা গারি ১১ দিতেন তৌখি। লোয়ননা, গারি ১২ দগী তিন্তেট ফিল্মশিং লৌথোকখি।

মণিপুর পুলিসনা দাইরেক্তোরেট ওফ ফোরেন্সিক সাইন্সেস মণিপুরগা খূৎশমরগা ত্রেনিং কম ৱার্কশোপ প্রোগ্রাম অমা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাতর্সতা পাঙথোকখ্রে। প্রোগ্রাম অসি ক্রাইম অমা থোকপদা য়েংশিনগদৌরিবা পুলিস পার্সনেলশিংগী হৈ-শিংবা হেনগৎহন্নবা, শাখি খোমজিনবনচিংবগী মতাংদা

পুলিস পার্সনেলশিংবু নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

**ডে (এল)ঃ** ‘লেট অস ব্রেক ইট দাউন’ হায়বা হীরমদা মালেমগী হেপাতাইতিস নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি। নেসনেল ভাইরেল হেপাতাইতিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম ষ্টেট হেলথ সোসাইটি নেসনেল হেলথ মিসন, মণিপুর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সর্ভিসেস মণিপুরনা শিনদুনা রাজ্য থাক্কী থৌরম পালন হোতেল ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা, হেলথ সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.চন্বো গোনমৈ, ষ্টেট মিসন দাইরেক্তর নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর ডা.এম দিনেশ সিংহ, ফেমিলি ৱেলফিয়র সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.এন.হেমন্ত কুমারনচিংবা শরুক য়াগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ৱার্ল্ড হেপাতাইতিস ডেগা মরী লৈনবা খোঙচৎ অমা হেলথ সর্ভিসেসকী দাইরেক্তরনা লমথাগনি।

ৱার্ল্ড হেপাতাইতিস ডেগী থৌরম কম্মুনিতি নেটৱার্ক ফোর এম্পৱরমেন্টনা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকিয়াত্রিককা পুন্না শিন্দুনা নুমিৎ অসি রিমসতা পাঙথোকখ্রে।

**ফাউন্দেসন(এল)ঃ** চেলেঞ্জরস য়ুথ ওফ খুন্দ্রাকপম লিংখৎখিবগী অহুমলক শুবা কুমওন থৌরম ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী উয়ুম্পোক কম্মুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। লুচিংবা হায়বসি নহাশিংগী খুত্তা লৈরে-অমত্তা ওইবা অমসুং চাউখৎপগীদমক নহাশিং হায়বা হীরমদা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

**কোহিমাঃ** নাগালেন্দগী নেসনেল হায়ৱে ২৯ গী শরুক্কী ওল্ড কে.এম.সি সাইট দম্পিং সাইটতা চীং নিংখাইবদগী মখা তানা লম্বী চৎপা য়াদনা লৈরি। দিপ্যুতি কম্মিস্নর কোহিমানা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মখা তাবা নোটিস থোক্ত্রিবা ফাওবা লম্বী অসিদা মখল খুদিংমক্কী গারি চথোক চৎশিন তৌবা

থিংলে। চেরোল অদুনা হায়- জোটসোমা বাইপাস লম্বীদা লাইট মোতোর ভেহিকলশিং ফাউদুনা চৎপা য়াগনি। অদগা, মাল পুবা গারি, মিলিটরি, পেরা-মিলিটরি ফোর্সশিংগী গারি অমসুং মখল খুদিংমক্কী অচৌবা গারিশিংনা সিসেমা লম্বী ফাউরগা চৎপা য়াগনি। হায়রিবশিং অসি ইনদবশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎকনি হায়রি।

**সংসদ ঃ** লোক সভাদা ঙসি ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা অখন্নবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোক্কনি। পার্লিয়ামেন্তরি এফিয়র্স মন্ত্রি কিরেন রিজিজনা হায়- পহলগামদা টেরোরিষ্টশিংনা চথখিবা এক্তেক্ট অমসুং মদুগী মখা তারকপদা ভারতনা ওপরেসন সিন্দুর চথদুনা মতিক চাবা পাউখুম পীখিবা অসিগী মতাংদা চথরিবা সংসদকী মীফমদা খন্নগনি হায়না হান্না ফোঙদোকখ্রবনি। মন্ত্রিনা হায়- লোক সভা অধক্ষা ওম বিরলানা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা বিজিনেজ এদভাইজরি কম্মিতিগী মীফমনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মহাকা হায়- লোক সভাদা হীরম অসিগী মতাংদা খন্ননবা পুং ১৬ কাইথোক্লে। রাজ্য সভাদনা ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা খন্নবগী থৌরম হয়েং পাঙথোক্কনি। মসিগীদমক্তসু পুং ১৬ খাক্তুনা থম্লে। শ্রী রিজিজনা হায়- বিরোধি দলশিংনা ওপরেসন সিন্দুরগী মতাংদা খন্ননবা দাবী তৌদুনা লাকপনি। সরকারনা সংসদকী মীফম হেক হৌবা নুমিত্তগী হীরম অসিগী মতাংদা খন্নগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

**নোংঃ**ইন্দিয়ন মেট বিভাগনা অৱাং নোংপোক লমদমগী মফম কয়াদা ঙসি ফাওবা নোং কন্না চুখিগনি হায়রি। গুজরাট অমসুং নোংপোক থংবা রাজস্থানগী মফম কয়াদা নোং কন্না চুগনি হায়না রেদ এলর্ট লাউথোকখ্রে। মেট বিভাগনা হায়- উট্টরাখন্দ, হিমাচল প্রদেশ, হরিয়ানা, চান্দিগর, নোংচুপ থংবা উট্টর প্রদেশ অমসুং নোংচুপ থংবা রাজস্থানগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নোংমা নিনি অসিদা নোং কন্না চুগনি। রাজস্থানগী জিলা খরদা নোং কা হেন্না চুবদগী স্কুলশিং ছুটি

থাদোকখ্রে। উট্টরাখন্দগী জিলা ৪ দা ওরেঞ্জ এলর্ট লাউথোকখ্রে। কেরলাগী জিলা ৪ দা য়েল্লো এলর্ট লাউথোকখ্রে। নোং কা হেন্না চুবদগী কেরলাগী মফম কয়াদা য়ুম ১০৫ হেন্না অমাং-অতা থোক্লে।

**হরিদ্বারঃ** উট্টরাখন্দগী হরিদ্বারদা লৈবা মঞ্চাদেবী মন্দিরদা লাই খুরুম্বা লাকপশিং নেৎশিন্নবদা শিবা মীগী মশিং ৬ শুখ্রে। মীওই ২৮না অশোক অপন নংলে। ঙরাং হরিদ্বারদা লৈবা মন্দির অসিদা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওইশিংনা সিরিথাক কাখৎনবা হোৎনরিঙৈদা মৈনচিংবগী থৌদোকশিং থোক্লে হায়বা তোকঙা শন্দোরকপদগী মীয়াম মীপাইদুনা চেন্নবা হোৎনবদা নেৎশিন্নবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। হরিদ্বারগী এস.এস.পিনা হায়- মীওই ৩৪ হোস্পিতালদা পুখৎখি। মদুগী মনুংদা মীওই ৬ লৈখিদবনি। থৌদোক অদুবু মেজিস্ত্রেল এনক্কারি তৌনবা উট্টরাখন্দগী মুখ্য মন্ত্রি পুস্কর সিংহ ধমিনা খঙহনখ্রে। মহাকা থৌদোক অদুদা শোক্লবশিংদা ক্ষেত্রিপ্‌রোন ওইনা লূপা লাক্ষ ২-২ অমসুং অশোকপশিংদা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। মী নেৎশিন্নবগী থৌদোক অদুবু রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা নুঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

**ৱার ঃ**নুমিৎ ৪ নি রোম উংখৎনরুরবা মতুংদা থাইলেন্দ অমসুং কম্বোদিয়া লৈবাক অনি ঙসি মালেসিয়াদা ৱারি শান্নরগনি। অমেরিকাগী রাস্ত্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পনা নোংমৈ কাপবা লেপনবা লৈবাক অনিগী লুচিংবশিংদা খঙহল্লকপদগী থাইলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি ফুমথম ৱেচায়াচাইনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা ৱারি শান্নবা অসিদা শরুক য়াগনি। মীফম অসিদা কম্বোদিয়াগী প্রধান মন্ত্রি হুম মানেটসু শরুক য়াগনি।

পনবা য়াবদি, থাইলেন্দ অমসুং কম্বোদিয়া ঙমখৈ পরিংদা নোংমৈ কাপরকপদগী লৈবাক অনিগী লান্মী য়াওনা মীওই ৩৩ শিখি অমসুং মীওই কয়া লাঞ্জেন্নখি।

**ডেঃ** মীয়াম অমসুং পান্খীশিংগা **শমহনবা-লম্লক্কী শা উচেক য়োকখত্তুনা** থম্বদা দিজিতেল ইন্নোভেসনগী থৌদাংশিং থিদোকপা হায়বা হীরমদা ৱার্ল্ড নেচর কঞ্জরভেসন ডে ২০২৫ ঙসি পাঙথোক্লি। মহৌশাগী খল অমসুং মহৌশাগী পোত্থোকশিং ঙাক শেন্দুনা থমবা হোৎনবদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবা পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী হেদলাইনশিং অমগা অমগা ইমান মান্নদ্রে।

নহারোলগী থৌদাংদা- বি.জে.পি মণিপুরগী এম.এল.এশিংনা লৈঙাক শেন্বা পাম্লবসু সেন্ত্রেলগী বি.জে.পি লিদরশিংনদি পামদ্রি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। ওপরেসন সিন্দুরদা লৈখিদবা কন্সতেবল দিপকতা ইকাই খুমবা উত্তুনা নিউ দেল্লিদা লৈবা বি.এস.এফকী চৌলা কেম্পকী গেট নম্বর থ্রি-সহিদ কন্সতেবল দিপক চিঙাখম দিৱার হায়না থোনখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা- ওথোরোতিনা লোগী মখাদা মান্ননা য়েংবগী মহুত্তা অচুম্ববু নমশিনদুনা থম্লে হায়বা কেপসন অসিগী মখাদা জেলদগী ম্যান্মার মচা থাদোকবা কুকিশিংনা এন.ঐচ.আর.সি, গভর্ণরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

পোকফমদা- মীয়ামদা লিগেল ইন্সটিট্যুসনগী কান্নবশিং খঙহনবা মথৌ তাই হায়না মণিপুর হাই কোর্টকী চিফ জস্তিসনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- ইভিক্সন-থাঙ্গাল কৈথেলগী এনক্রোচ তৌরম্বা য়ুম অমদি দুকানশিং মপুনা শিদোকচবসু য়াওরি, শিদোক্তবসু য়াওরি হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাহন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- অসাম রাইফলসনা কারগিল ৱার ভেটরানশিংদা ইকাই খুমবা উৎখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- নুংবা কম্যুনিতি হেলথ সেন্তরগী ফিভম ফৎত্রে, এম.ও ইন চার্জনা শেমজিনবীনবা আপিল তৌরক্লি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। য়ু.এন.পি.ওনা অফস্পা লৌথোকবা নাগাশিংগা অচুম্বা ৱায়েল পীনবা দাবী তৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা- তামেংলোং অমসুং খৌপুমদা কারগিল বিজয় দিবস পাঙথোক্লুনা লৈখিদ্রবা ভারত লান্মীশিংদা ইকাই খুমবা উৎখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- মণিপুরদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিল্লক্লি হায়না রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**